

"পোক্লফম লমদম ইমা, ইরৈবাক হায়বমুক লৈত্রবদা হিংদবনা ফৈ। ফৈ। হেন্না ফৈ।"

- পাচা মীতৈ (ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম)

# শৈরেং

## হে অথৌবা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

মমা লৈবাক্কীদমক
থৱায় কৎখ্রবা কয়া
লাকখিনি
কয়ানা চৎখিগনি।
লেপ্পা লৈরোই
লোইবা নাইরোই
অমগী মথংদা অমা
অমগী মথংদা অমা।
ঙসিগী মীরোলনা
তাইবঙপাল অসিদা
লৈরি মখৈ
অথৌবা অথৌবী কয়াগী
থৱায় কয়ানা
অরংবা থৱান্মীচাক্কুম
ঙাল্লখিনি।
মালেম তাইবঙপালসিদা
ঙাল্লখিনি তুংগী
চারোল শুরোল ফাওবা
মুৎপা নাইদনা
ঙসিগী মালেমসিদা।

## অথৌবশিং

—ৱারেপম তোমচা

হো! অথৌবশিং হো! অথৌবশিং
লাইওইখ্রবা অথৌবশিং, লাইওইখ্রবা পন্থৌশিং
লাকখো হল্লকখো অমুক্তা
খেক্লা নোক্লা লেপ্পখো ইমাগী তম্পাক্তা।
মণিপুর ইমাগী তম্পাক্তা পোকখিবা
ইমাগী অমৃত্তনা চাউখিবা
সনা লৈবাক মণিপুরগী
অশেংবা ঈবু চেনখিবা।
লাইওইখ্রবা অথোইবা অথৌবশিং
নখোয়গী থৌনা লিংজেলনা
ইমাগী মশক তাক্লম্বা
ইমাগী মচানি উৎখিবা।
ঙসিসু ইদুনা লৈহৌরি
অচৌবা লৈবাক কয়া কয়ানা
ঙাঙনরি শোন্নরি কিনরি
মণিপুর মচানি, মণিপুর মচানি।
তুংগী মীরোল কয়ানসু
অথৌবশিংগী থৌনাবু নীজরি
উৎলি ঙসিসু মালেমগী লৈমায়দা
ইমাগী মচানি, ইমাগী মচানি।

## থৱায়না পোন্থা

—ৱাহেংবম বীদ্যাভুমি

কৈদৌঙৈ লাক্কনি হায়না
খৌরাংনা ঙাইরম্বা ঙসিদি
মতমনা পুরক্কুনা লাক্লে
ওগষ্ট ১৩
অথৌবশিংগী নুমিৎ।
খূৎতা খূৎলায় পায়রদুনা
থৱায় খূবাক্তা হাপ্পুনা
নীংতম্বগা থৱায়গা শিন্নখিবা
য়ৌরক্লে ওগষ্ট ১৩
ইমা লৈবাক্কীদমক
ইমাগী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক
নোক্লা নোক্লা ফাঁসি শগাই কাখিবা
বির টিকেন্দ্রজিৎ, থঙ্গাল জেনরেল
কয়া কয়ানা।
থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা
হকচাং পোলাংনা তাঙ্গাই চনখ্রবসু
অথৌবশিংগী থৱায়দি
মুৎনাইদনা লৈরি সনা লৈবাকসিদা।
ঙসি নমোম ওইবী ঐহাক্লা
খূবাম চাংজৌ তরা লোন্ননা
কৎচরি হৈরাং-লৈরাং খরদং
খূৎথেংননা লৌশিনবীয়ুকো।

## ইমা মণিপুর

—অথোকপম তোম্বা

হে ইমা মণিপুর
নুংশিবী নঙগী কোলোই
অৱা অনা পুরিবী
নঙগী তম্পাকথকসিদা।
নুংশিবনা নুংশিবী হাৎলবা
লোয়নবনা লোয়নবী হাৎলবা
চেঙ সুপর ফাইনগী
মমলনা লুপা ৩০ হেল্লবা।
হিন্দুগী লাইনীং মহৌশাদি
কাংশিগী মখোল তাদ্রবা
লাইশঙদগী লেংলকপা গৌরচন্দ্র
পাইতু খাওদা লাক্লবা।
লায়রবদি মপা লৈতরে
গাড়ীদি ইনাক খুল্লিদো
গভর্ণমেন্টকী ওজা অফবা
কাঞ্জ থাঙ ওইরবা।
অফবা মহৈরোয়শিং
মমল পীদুনা লৈনরবা
অতনবনা চরোং য়াল্লবা
শূবা নোম্বনা ৱাৎলবা।
অঙাংগী ৱাখলদি ঈচেলনি
অফবসু ফত্তবসু পুরিবনি
ফত্তবনা লাঙ্গোই চল্লবা
অচুম্বা চৎপনা অঙাওবা তারবা।
ইমা নঙদি ৱারিনি
ৱাহৈনা চান্মগী ৱাশক্কি
থবক্লা অমখক তৌগনি
ৱাঙাঙ হৈবনা অচুম্বা শক্লবা।

চীংনুং হরিনা শৈশক্লা
লোইয়া লমদোল নিল্লিবী
লৌশিংগী থাউমৈ থানবিরো
মঙালগী মৈরা চুবিরে
হে ইমা মণিপুর।

## লৈচিল

—ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম

অয়ূক্কী হে লৈচিল
মীনুংশি ওন্থোক্লা য়াওদেদকো
কমদৌনা কনানা ইনশিল্লকপনো?
হায়নৈ মপান নাইদনা
শকফম খঙদ্রবা লাইজনা
লেমহনবনি নঙদি
ৱাহং কয়াদি লেপ্তুনা হংনরি
ঙাইনরি পাউখুমগীদমক লেপ্তুনা
মাঙহল্লি নঙনা মতম
শাগৎপা শেমগৎপা লোইদ্রিবশিং
তূমহনগে খন্নরবা তাইবঙবু
ওইথোক্লরোই কৈদৌনুং
নুংশা মঙাল লাক্লবদা
লৌনম চীরোল হৈরবা
মীকুপকী পুন্সি তাগনি
অয়ূক্কী নোংহৌগুম থোক্কনি
করিবু ননীং থুংদবনো
মাঙজখিনি নরোমদোম
তূমজখিনি হায়নরুবা নাইদনা।

## মতমগী অনৌবা য়াওল

—ঙাংবম ইবেতোম্বী

অহোংবা নাইবা তাইবঙনি
পূক্লিং ৱাখল, ফিজেৎ চাকচা,
লমচৎ-শাজৎ, মীঙ্গৌ থাগৌ
থিংবা ঙমদা হোংলক্লি অসুম অসুম
অদুমক্তি ওইরগা ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা
তোপ তোপ্পা ঐখোয়গী ইচাক ইরলদি
মাঙহনগুমসিকো মৈতৈ ঐখোয়গী খুন্নাইদদি।
মৌনি লৈশাবীনি খঙহনদবা
ফিজেৎ ফিজোল, শমকক লাকক
অমুক্তংদি থিংহৌসি খন্থহৌসি
মীতৌ তম্বদা অফবতা মতমসি
মৌশিংগী চরৈফি, কোকখুমফি, থাখুমফি
হুমদোকহনবীগনু মতমগী নোংলৈনা।
নিংঙোল পোকপী পলেমশিংনা
নিংঙোলনা য়ূম্নাক ওন্দ্রিঙৈ
শেৎনীংবা মওংদা শেৎচসনু,
চৎনীংবতা চৎচহৌসনু
খন্দোক্তুনা লৈথোকপীগনু
লিকোন শান্নরিঙৈগী পাখংগী পুকচেলদো
ওইদ্রবনি হৌজিক্তি কাউবীগনু
লৈবাক ৱাথোক ওইদ্রিঙৈ
চেকশিনবা য়াবা চেকশিলহৌসি।
য়ূম্বাল্লবা নুপা-নুপী অনীগী
থম্মোয় অনীগী কিসিসু
অসুম অসুম কোমথোক্লরকপগুম তৌরক্লি
মনেম ওইবী কয়াসু
মমৌদা ঙাঙবা ঙম্নরক্ত্রে
মচানুপানা হাকন চংনখিবনা
পংঙিরা শিংঙিরা খঙদ্রে নুপাশিংসে
মনেমশিং মচিন পাল্লি পান্দগুমলে
মমিৎ পাল্লি উদগুমলে
মনি-মমৌগী নুংশি মরীসু
অসুম অসুম কোমথোক্লরক্লে।
অমরোমদা নুপীগী ৱাথোক
শা-ঙাগুম হাৎতোকপীরম্বা
লেপ্পা লৈতে, লোইবা নাইদে
পাপ কয়া শুরবগে নুপী শাবা য়ারদ্রা
হায়নৈ হায়বা অহলশিংগী ৱাহৈদো
অসুম অসুম নীংশিংলক্লে
ফত্তবা নুপাগী শরৌ লাংদা থুবসু
অসুম অসুম হেনগৎলক্লি।

## পুমওন ওল্লে, পুমহোং হোংলে

—বি মঙাং

পূন্নমক হোংলে লোইনমক
পুমওন ওল্লে পূন্নমক
চীংসু তমসু পাৎসু তুরেলসু
ইঙা, ইঙেল থাদা নীংতম্না
চুরম্বা নোংসু চুরকখিদ্রে।
থৱান থানা লাক্লসু
কুমগী নোংদি তারকখিদ্রে
পূন্নমক পুমওন ওল্লে
মী খরদি শা ওল্লে
মচে মচল মশক খঙদ্রে
লিচৎ শাজৎ পূন্নমক হোংলে
ৱাঙাঙ শাঙাঙ হোংলে
মকুবোক্তা বাজি মিঙ্গৌনরে
মনেমদা ইমা মিঙ্গৌনরে
মখুরাদা কাকা, অঙ্কল
পূন্নমক ওল্লে লোইনমক
কৈথেলগী মহুত্তা বজার
ফিজেৎ লাকচেৎসু মঙায়
ফনেক্কী মহুত্তা শালৱার
মৌসু লৈশাবীসু শেৎনরিবা
খুদাংদা তেতু হক্লরিবা
য়ুগী মহুত্তা গুলি, পাওদর
পূমওল ওল্লে, পূন্নমক হোংলে
নুজাগী শল্লাংসু মচু মচু
নুজাগী অশাংবা খুজিলসু
অপাম্বা মচুনা লৈতেংলবা
পূন্নমক অনৌবা শকলোন
ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা
বোর্দর পিল্লরসু হোংলবা
পূন্নমক পুমহোং হোংলবা।

# অৱাবা ফোঙবা

## (Mourning)

- জোসে অগষ্টিন

বেবি ঙসিসু নীংশিংলি মমি শামি, মমা লৈখিদবদু। অদুবু হেক নীংশিংলুবদা মাঙদা ফন চোংথোক্লকপদি মন্দোমচা বর্টানি। মন্দোমচাদু নুমিত্তুদা মরোল লোন লোন্দুনা, ফিমুকা শেৎতুনা মমাগীদমক য়াম্না নুংশিবা শাখিবনি। অদুগী মথক্তা মপি অর অর শিন্থবদুসু মীয়াম উহনখিবনি। মমানা শিদ্রিঙৈদদি বেবি মন্দোমচাদু লৈ হায়বফাও খন্থরুদে। মশা ইপা পারদুনা, ৱা কয়া ঙাঙদবীনি, ঙাঙথোক্লকপদনা বেবিখোয়গী ইমুংগী অশোয়বদা থিদুনা ঙাঙবীনি।

মন্দোমচাদুনা নোংমা ঙাঙখিবদু বেবি নীংশিংলি : -"নখোয়না ফনা অমা অমা হায়রবসু ঐ য়ারোই, বেবিগী মমা সেসিলিআনা মচানুপীসিদা হোৎনরিবসিদি করি হায়রুরনি।" অদু হায়রগা মন্দোমচাদু চাদু অমুক চিংঙি। অদুগা অমুক মখা তারকই, "মহৌশাদৈ সেসিলিআগা মচাগা কয়া শম্নরক্তবনি। মাদি মরাইবক ফখ্রপোৎনি নুংঙাইখ্রবা অমদা ময়ূম পানবনি। অদুবু মপুরোইবা খৃষ্টিয়ান্না হেক লৈখিদবদগী মমা মচাদি মরায় চায়থরকখিবনি। অদুবু মচাসি বোর্দিং স্কুলদা থমদুনা তৌরিসি ফখ্রপোৎনি ... করি স্কুল হায়য়ে মদুবু?"

- "হেলেনা হর্লিহি" মন্দোমচা অমনা পোকপী টেরেসা হায়বীদুনা খুন্নকই। (মাদি স্কুলদুদা তমজবদু থৱায় তাজরিবনি।)

- "হো হো মদো, মদুদা।" মন্দোমচাদু অমুক চা চিংঙি। অদুবু হৌজিকফাও বেবি ঙক্লি, মনে দামচাসিনা হায়খি হায়বদুসু মহাক তাজহৌদে - "ঐনা অঙাংসি য়োকপা তারবদি, মহাক অচুম্বা লম্বীদা চৎহল্লনিদা। অসিনচিংবা।" অদুদগী হেন্না ঙক্লিবা অমনা মহাক্কী মমানা শিরমদাইদা মন্দোমচা বর্টা অসিদা মাবু য়োক্লবা, মাগী লন-থুম শেন্নবীনবা শিন্নরম্মী হায়বসিনি। (ৱাসি নীংশিংলগা বেবি লৈবাক্তা মতিন শীৎলি- "তুক্কচৈ" হায়না)

মন্দোমচাসিনা নোংমা হায়খিবা অমগা মহাক নীংশিংলকই হৌজিক্তা : "মখোয়না অঙাংসিবু মমিং 'বেবি' কৌরম্বসি ঐদি পামজখিদ্রে, খঙদে, মসি নাতৈ চাদবা, অর্থ থোক্তবা মমিংনি।"

অমরোমদনা মন্দোমচাসিনা কৈসু নত্তবদা বেবিগী মপাবু খৃষ্টিয়ান কৌবদুদি থাগৎলি, নুপা থোকপা মমিংনি হায়দুনা। (মীনাই নুবীদো! বেবিনা চৈরি হৌজিক্তা) মপাগী মমিংদু তাবদসু নুংঙাইকা হায়দনা (ওবু ওনীংলকই, বেবিনা পেন্দবা হায়জে)।

বেবিদদি মাগী মিংগী, মপাগী মমিংদা কৈসু খনবীরুদে। (মাগী ৱাদি কৌনীংবা মমিং কৌবীয়ু, তৌবদদি মাবু মথা শাহনবীনু, শান্তি ওইনা লৈহনবীয়ু অসিদনি। হৌজিক্তা বেবিদু মথ্বায় চাক্লা শোঞ্জরি, মাগী চুরুট মচৈদু চিংলদুনা) হৌজিক্তি মহাক্কী মিংদু পামজরে।

মমা লৈতবা মতমদুদা বেবি চহী ১২ হায়রম্লনি। অদুনা মমা লৈখিদবদু খূৎশিদুদা ঙক্লা কপচখি, থৱায় ৱাফম খঙখিদে। মহাক নীংশিংলি, কমদৌনা মন্দোমচানা মাগী খুদাং পায়রগা মাবু মমাগী নাক্তা পুশিনবগে হায়বদু - জৌ জৌ লাউবা, শরূদা ঙায়বা মখূৎতুনা পায়দুনা, মফিদি শ্রো শ্রো চিংলদুনা। মাদি মমাবু লৈরোন চনবদুদা পংকপ্তা কপখিবনি মন্দোমচাগী ফিজি পায়দুনা। শরূ ঙাক্তা ঙাইবা মখূৎতুনা মাগী মকোক নাম্থবিখিবনি, অতৈনা থেম্নবা হোৎনবকা নংহৌনা নৎখিদে।

অদুগা মহাক কৈদৌঙৈদা তাজখিদে মন্দোমচানা হায়বা : - "অঙাংসি হৌজিক্তি ঐনা য়োক্লনি, মাবু হৌন-লোনচৎ লোইনা ঐনা তম্বীরনি।" নৎত্রগা সিগুম্বা ৱা অতৈ অমতসু হায়খিবা মানা তাখিদে। অদুনা চমন্ননা, মাগী মফি মরোল লৈবীরগা, লাইরিক লৈবীরগা বোর্দিং স্কুল অদুদা থমজিনবীখিবনি। মোটোলিনিআদা লৈবা মন্দোমচা অতোপ্পা অমগী মচানুপী টেরেসাগা তম্মিন্নবা।

- "অদুদগীদি ঐসে নাতৈ চাদবা কয়া অদুম তৌবা হৌরে।" বেবিদু নোকই মতোমতা নীংশিংলগা - "ঐনা টেরেসাবু চুরুট থকপা তম্বীরে। খোঙ মোজা অশাংবা উপ্পা তম্বীরে। অদুদগী কোলোনিআ ডেল ভালে সরক্তা চৎপা মী য়েংদুনা মতম লেনবা তম্বীরে। অদুবু মতমদুদা চমোৎনবী লম্বোইবী (নন) শিংদুনা ঐখোয়বু তান্থোকখিদবদু ঐ খঙই, ইন্দোমচা ডোনা বর্টাবু কিবগীনি। লম্বোইবীশিং অদুসু ইন্দোমচাগা চপ মান্নবী ঙাক্তনি।"

বেবিগী মথোঙ চাদবা অসিনা লোইদ্রি। মাদি নোকপনে খেবনে, টেরেসাবুসু, অতৈ লৈমিন্নরিবা লৈশাবীশিংদুসু মানা ঙম্বা ঙাক্তনি। অদুনা নোংমা ওজা নুপী অমা নৌনা লাকপীদুদা হায়জরুরে : "অঙ্গৈংবা মহী অমমমদং থকমিন্নসি, নতোমতা তরক তাবদু ফনবা। অমরোমদসু চহীসু লেঙ্গা ঙাক্তনিদো।" অদুদদি ওজা নুপীদুসু য়ারে। মহাকসি তম্বা লোয়বদা ঙায়রিবা জাৎনি, অদুদা সুম তমশিনবা ওইনা স্কুলদুদা চঙলকপনি। ওজাদু অঙ্গৈংবা মহীদু হেক থকপদা মশাদা কৈনো অমা ফাওখ্রে, অশেংবা রমনি হায়বা খঙলে। অদুবু কিবোই লাকপোই অদুম থকখ্রে ৱা অমা হায়দনা। অদুগদি মমৈদদি ঙাওখৎলক্তুনা স্কুলদু থুংনা চেল্লবা জাৎনি। মচিনসু ঙাঙবা লেপ্তে : - "হূরানবী লম্বোইবীশিংসিনা ঐবু লুপা ৪০০ খক পীরগা থবক্লা লোলানা শূগদবদু শূহল্লে। লাইনা নখোয় দন্দি পীসনু, তৌ ঙম্বী নখোয়।"

ঙাঙনা ঙাঙনা ওজাদু মমৈদদি কে জি তন্নিবা অঙাংশিংগী কাদুদা চঙলগা মফিকা তাখত্তুনা থবাক্কা উৎলবা জাৎনি।

- "ওন্থোকপা ফিভম অমা ওইখি, ফিভমদুদা "বেবি হৌজিক্তা নোকচরি নীংশিংলুরগা।

নুমিত্তুদদি শাউরবা নুপী ডাইরেক্টরদুনা বেবিগী মন্দোমচা ডোনা বর্টা কৌদুনা ঙাঙথরবা জাৎনি। বেবিদসু শাংলবা চিঠি অমা মন্দোমচানা পীরকখি। মরোলদি - "নহাক য়াম্না ওক্ত্রে, ঐ মফমদুদা লৈতে হায়বগী। নঙগী নন্দোমচাগী মচা টেরেসাবুসু নঙনা মাঙহল্লে, ঐখোয়গী ইমুংবুসু চোপহল্লে, লৈখা তাহল্লে। ইচে সেসিলিআদু ইকাইবনা শিরমগনি, লৈরল্লদি, অসিনচিংবা") অদুনা দন্দি ওইনা বেবিবু চয়োল অমা লোইরকপগী মপান চৎথোকপা য়াবদুফাও থিংখ্রে (বেবিনা হৌজিক্তা করেম্নে - অমুক্তসু চয়োল লোইরকপগী মপান থোকচরক্তবা ঐবু থিংঙেকা হায়রি) বেবিনা অসিমসু হায়রি - "নুমিত্তু মহাক শাউনীংমনখ্রদুনা মন্দোমচাগী চিঠিদুনা ঈরুজফম চঙলগা ফদি ওইনখি, নানবদা নারপ তৌরসু।" অদুগা মানা মন্দোমচা অমগী মচা টেরেসাবুসু চৈখি, পঙকন কন্দ্রবসু। টেরেসা হায়বীসি মন্দোমচা ইষ্টর হায়বীদুগী মচানি। মাদি স্কুলসিদা অদুম তম্লক্লবনি।

অসুম্না, বেবিদু মশাগী চহী ১৭ হায়রকপদা মাগী বিজিনেস কোর্স তম্বা লোইরে। অদুগী মতুংদি মহাক কলেজ তমথখিদ্রে। অদুগী মথক্তা মহাকপু মন্দোমচা ডোনা বর্টানা থিংবা ঙমখিদ্রে, মানা মখোয়গী ইমুংসু লৈরিবা অকাপুলকো হায়বা লমদুদা লৈখিবদা।

অকাপুলকোদদি বেবি লাইরিক মখাসু তমথদ্রে, থবকসু শূদ্রে। মফমদুদা মহাক মন্দোমচা ঈষ্টরগা লৈমিন্নে। মাগী হায়বু চয়োল লোইরকপদা টেরেসা উনবা চৎলি। টেরেসাসু তম্বা লোইদুনা হোটেল কালেটা হায়বদুদা সেক্রেটরি ওইনা থবক তৌরবনি।

বেবিদি থেঙনা থেঙনা হৌগৎলি। মাগী হৈনবী চুরুট থকপদি ব্রেকফাষ্ট মমাঙদগী হৌখ্রে। মদুনা মন্দোমচাদু মকোক ঙাওরবনি। মানা কার অমতদি লৈবীয়ু হায়না তকই, অদুবু মমৈদা মমানা থৌরম্বা অমনবা 'হিলমেন' হায়বা কারদু ওইনা পীশিল্লক্লে। মদু নহালমখৈ মীঙোন্দা পৈশা লৌদুনা শানে দাক্লুবনি। কারদু ফংবদগী বেবি অয়াম্বা মতমদা, কুম্বী কালেন নাইদনা নুপা নহা পূনফম কোন্দেসা হায়বদুদা কোয়বা চৎলে।

বেবিগা পাখঙশিংদুগা অদুম তিন্নে, অদুবু মানা খরা নকশিন্না তিন্নবদি জোর্জ হায়বদুগনি, ৱারী ৱাতায়দা শারবসু।

- "মহাকতু পঙতক তৌই।" বেবিনা হায়, "অদুবু তিন্নবদি নুংঙাই।"

ময়ূমদদি ময়াম্না মাবু ঙাঙঙে, হায়ন-তানা য়াদবী, ইকাই খঙদবী, শাউগনবী অসিনচিংবা হায়দুনা। তশেংবদি বেবিসি ধর্ম্মদা কয়া থাজদবী ওইবননি। অদুগা মানা জোর্জবু কয়ারক চুপ্লে।

- "সিবু করি কায়গে?" বেবিনা ইরায় লায়না হায়দোকই। মহাক পার্টি চৎলি, নুমিদাং চুপ্পা লৈথোকই লাঙদুনা। অদুগা মন্দোমচানা ঙাঙবদনা ৱাহৈ খরদমক খুম্মী। মহাক চুরুট 'রালিঘ ফিল্টর' থকই, ভোদকা য়ুসু থকই। অদুবু মহাক নোংমাইজিং খুদিংগী পুং ৯গী লাই খুরুম্বা মাস রেলী চৎপদি লেপ্তে।

অসুম তৌরম্বদগী নোংমদি মাগা মন্দোমচা বর্টাগদি ৱা-লান অমতা ঙাঙনদবী থাক য়ৌরে। ঈ-পাউ পূন্বা মীনাই নৎত্রগা মরী মতাগী মতেংনা ফাওনরে।

মরক অসিদা টেরেসানদি মঙোন্দা মন্দোমচা ডোনা বর্টাগা মরী ফনবা তক্রে। মদুদা মানা খুম্মী : - "য়েংঙু টেরে! নঙনা কৈসু খঙঙোই। অদুবু ঐদি নঙবু নুংশি। অদুনা নহাক নচিন্দু মেনশিল্লু। নঙগী ৱাদু অমুক পল্লক্কনু।"

- "করিনো নঙনা হায়রিদুবু? বেবি!"

নোংমসু মন্দোমচা ঈষ্টরনা মাবু শাউনা পাউতাক পী : - "বেবি! নঙ পাপ লংশিঞ্জরবনি, ঈশ্বরদা লঙজবগী। সেন্ট পীটর, সেন্ট পালগী পাউতাক ইন্দবগী। অদুনা নঙ নন্দোমচা বর্টাগা তাইশিন্নৌ, নঙনা মাবু হাত্তৌরি। নঙ মাসি খঙজদ্রমাল্লে?"

- "য়ারে, তোকও!" বেবিনা চৈহৎলি, "ঐবু ইরাল পীবা লেপ্পীয়ু নৎত্রবদি ঐ নখোয়বু ৱারৌরক্লনি, ঐনা করি খঙদবা লৈরবগে? নখোয়না খঙবীদ্রে, মাননি ঐগী ইরল-ইথুম লোইনা মৎখ্রিবা, মহা ফৎতবীদো, মানা ইমাদা করি পীজখি খঙব্রো? অদুনা মানা ঐবু মাগী মখাদা থম্নবা শক্তি পীখ্রিবনি। ঐ ওনিংঙি, মাগী মমিং পল্লক্কনু। ঐদি ঐগী খুজিন থূম্না নমশিল্লগা মমিত্তু কোৎথোক্লিংলিবনি, অদুগা মমিৎতু লৈখাদা লংথরগা খোঙনা চবেৎ চবেৎ নেৎনিংলিবনি।"

- "কৈনোনে, অদুম হায়নু, তপথৌ, বেবি!" মন্দোমচা ঈষ্টরনা থেম্মী।

বেবিগী পোত্থাফম হায়ববু সমুদ্র মপান কোয়বনি। মতোমতা মদুসু চিক্লবা মতমদা। অদুগা মহাক্লা থোইনা খল্লুদনা লৈঙোইদা ঙেক ফমথগনি। অদুগা লৈঙোই খোত্তুনা মপৈ মচা মচা পৈখৎ শান্নগনি। অদুসু অমুক লৌখৎলগা সমুদ্রদা জ্বাই লংথখিনি। অদুগা হায় : - "তাও, ইন্দোমচা!" মানা ঙাঙলিদু সমুদ্রদনি, "নঙনা ঐবু অপঙবা শীবা ঙম্লরোই তরাইনা। নঙনা ইমুংগী ভার লোইনা পুবদি ঙম্বা য়াই, অদুবু ঐবুদি নঙনা কোনশিনবা য়াররোই। ঐ হায়গে তাও, ঐ হৌজিক্তি লোইনা খঙলে। নঙনা ইমাবু হূ পীজখিবনি। নঙনা পীজখিবনি হূ। ইমাদুনা শিরমদাই ঙাইহাক্তুদা, নঙনা মাবু নমদুনা সহি তৌহনখিবনি নঙগী দলিনদুদা, নঙনা ঐগী হক অমদি ইরল ইথুম পূম্বা মপু ওইনবা। ইমাদো শিঙমদনা শিখিবনি, মখৌরিদু মখূৎনা পায়শিন্দুনা খাঙখিবনি, নঙবু মুন্না য়েংলগা, নঙনা অদুম্না মাবু হাৎপা ঙমগনি থাজদনা। অদুবু থাজদবা থবক্তু নঙনা তৌখ্রবনি। ঐনা হায়রিসি নতিক লৈরদি তৌদে হায়রকউনে। কৈসু ঙম্লোই, ঐঙোন্দদি নঙ তৌদে হায়বা খক ঙম্লরোই।"

ঙাঙনীংবা ময়ামদু ঙাঙলুরগা অমুকসু মন্দোমচাদা মতিন শীৎপগী মওংদা সমুদ্রদা মতিন শিৎখি। অদুগা সমুদ্রদা অমুক হায়জৈ : - "ঈপাক নঙসু তাবীয়ু ইন্দোমচাদুনা নোংমা হায়খিবদু"। বেবিনা মচা খায়না লীথরকই, মমিত্তি পাক্লা শন্দোকখ্রিবা ঈপাক্তা য়েংলগা : "য়েংঙোই, ইবেম্মা! ঐনা ফনা কন্না হোৎনবনি ফনবা, অদুবু ঙমশিল্লক্ত্রে। নঙসে ভূট, লাই ফত্তবা অমা চঙলে। অদুনা ঐ নঙগী মরমদা হায়ররোই। তৌবদদি নঙগী নরল-নথুমশিংসে নঙনা চহী ২১ হেক শুদ্রিফাও পীথোকপদি য়াদ্রে।"

- "অহা! অদুরা?"

- "নঙনা খঙলিদুনি। হায়রিবা মতমসি চহী অমগা মখায়দা ঙায়রক্লবনিদা। মতমসিগী মনুংসিদা নঙ অমেরিকা চৎলুগেরা, নঙনা পাম্বা লম অমদা চৎলুগেরা তৌরো।"

- "ফরে, পৈশাদু ঐগী ওইদ্রিফাওবদি চৎপীখ্রো। ঐবু চিক্লা লৈহনবীয়ু।"

বেবিনা মতোমতা খঞ্জে, "ঐসি মী থাজগন্দবী ওইরব্রা? অদুগী মথক্তা মতমদু ঐগী থাগী খোঙকাপ লাকপা মতমসু ওইখি। অদুনা ঐ সমুদ্র মপান চৎপসু য়াখিদে, মরমদি মীনা উখিনি। ঐ মী কনা উনিংখদে। ঐ ইতোমতা পঙশাউদা শাউনিংখি।

অদুনা জোর্জনে, মালেনানে, চুপেতানে, রোডোলফোনে, তোমাসনে বেবিনে কোয়মিন্নখি রেবোজোদা। তোমাস হায়রিবসি রোবেজোগী ম্যুনিসিপালিটিগী প্রসিদেন্ট অদুগী মচানিপানি। অদুনা মাবু অকাপুলকো লমদুগী ডোন জুআননি হায়নৈ। মানা য়ৌবগা বেবিবু বোল দান্স শামিন্ননবা হৌরকখি। জোর্জনা হৈনীংদনা য়েংলি। মানা পায়খৎলিবা গ্লাস অদুদা উন্না য়ৈরদুনা। *(মথং মথং)*

**ইংরাজিদা : মেরী ঈ এলসৱর্থ**

**মীতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা**

**(মেক্সিকোগী ৱারীমচা)**

# রাগ দরবারী-৭

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

*বখ্তাৱর সিংহ*না মমা-মপা অমা ওইবগী থৌদাং মপূংফানা পাঙথোক্লদুনা মখোয়বু ঙাকপীরম্মী। মহাক্লা মচাশিংগী থৌদাং লৌরদুনা *বখ্তাৱর সিংহ* গী হনুরক্লবা মতমদা মথৌ তারক্কদবা পোৎশকশিং য়াম্না ফজনা শিন লাংবা লোইনা লোইশিনখ্রে। ফূখিবগী ৱথোক অনৌবা ওইরগসু মীয়াম্না কাউনখ্রে।

অদুবু কপ্টান অদুনা মদুগী ৱাফম অদু য়ানিংদদুনা হায়রকই, "নহাক্কী কেস অদু মায়পাক্ক। তৌবা ঙমদ্রবদি নঙবু কনানা কনবা ঙমগনি। অমম্বা নুমিদাংৱাইরম ওইরদি কৈদৌই হায়বনো? নহাক্লা মীশক অমা ফাওবা খঙবা ঙমহৌদ্রগসু চিঙনবা মীশক হায়বদা কনানা থিংগদৌরিবনো?"

মতম অদুমক্তদা *বখ্তাৱর সিংহ*না মীওই অহুমদা চিঙনবা লৈ হায়রকই। হায়রিবা মখোয় অহুম অদু *ঝগরু* অমসুং *মঙ্গরু*গী থায়নদগী য়ূমগী ওইবা য়েক্লবা লৈনরম্বা মীওইশিংনি। মখোয় অহুমদা কেস চৎথরম্মী। *ঝগরু* অমসুং *মঙ্গরু*না *বখ্তাৱর সিংহ*গী মায়কৈদা ইবিদেন্স পীরদুনা হায় "মখোয় অনী ফূন-চৈনবগী তাঞ্জা অদুদা লৈকোল অদুগী মনাক্তা য়াম্না মরুওইবা মরম হায়দি খোঙ হাম্নবগী লাকপা মতমদা তাঞ্জা চারদুনা উহৌই।" মরম অদুনা হায়রিবা চিঙনরিবা মীওই অহুম জেলগী চৈরাক ফংখ্রে। *ঝগরু* অমসুং *মঙ্গরু*গী য়েক্লবশিং অদুগী অৱাবা ফীভম অদু উবদা লৈকায় অদুদা লৈরিবা মচা-মশু ওইবশিং অদুনা *বখ্তাৱর সিংহ*গী মনাক্তা নুমিৎ খুদিং লাক্তুনা খুরুম্লদুনা হায়জরম্মী। মপু ইবুংঙো ঐখোয়সু মীনা ফুহন্নবগী তাঞ্জা অদু অমুক্তা পীবিয়ু হায়না। অদুবু হনুরবা মতুংদা *বখ্তাৱর সিংহ*গী হিংনবগীদমক্তদি *ঝগরু* অমসুং *মঙ্গরুদগী* হেন্দোকনা অতোপ্পা মীশিংগী মথৌ তাদরে। মহাক্লা মচা-মশুশিংগী মশীং হেনগৎহনবা পামদ্রে।

*রুপ্পন* বাবু ফনা কুইনা নোক্তুনা লৈরম্মী। কনষ্টেবল অদুসু হরাউদুনা লৈরম্মী মরমদি *রুপ্পন* বাবু ৱারী অমদুখক্তনা নুংঙাইরদুনা নোক্লম্মী, অতোপ্পা ৱারী অমগী মথৌ তাদ্রে। অতোপ্পা ৱারী অমনা কনাগুম্বা লিদর অমবু নোকহন্নবগী মথৌ তারক্কনি। নোকপা লেপ্পদুনা রুপ্পন বাবুনা হায়রকই, "সোম *বখ্তাৱর সিংহ*গী মনাই নিনেকো অদুদি!"

"ওইরম্মী। লৈবাক অসিনা নীংখা তমদ্রিঙৈগী মমাঙদা। অদুবু হৌজিক্তি ঐখোয় মীয়ামগী থৌগল তৌদৌরিবনি। লায়রবশিংগী অৱা-অনা কোক্লবা হোৎনগদৌরিবনি। মীয়ামগীদমক ..."

রুপ্পন বাবুনা মহাক্কী লেংবান শোক্লদুনা হায়রকই, "তোকপীরো, মফম অসিদা ঐ অমদি সোম নত্তনা তাবিনবা অহুমশুবা মী কনা অমত্তা লৈতে।" অদুবু মহাক্লা তোকপা লৈতনা হায়রকই, "ঐদি ৱাফম অসি হায়বা পাল্লম্বনি, মদুদি ঐ লৈবাক অসিনা নীংতম্বা ফংদ্রিঙৈদা *বখ্তাৱর সিংহ*গী মনাই ওইরম্মী, অদুবু হৌজিক্তি অদোমগী অপোকপগী মনাই ওইরবনি হায়না।"

*রুপ্পন* বাবুনা নোল্লুক্লা হায়রকই,"মদুদি অদোমগী তৌবিমলনি, অদু নত্রবদি ঐগী পাবুংগী করি মতিকনো?"

মহাক ফল্লম্বদগী হৌগৎলকই। লম্বীগী মায়কৈরোমদা য়েংলদুনা হায়রকই, "রমাধীন লাকপা মাল্লী। ঐ চৎলগে। মসিগী দাকুশিংগী চে অসি নীংথিজনা য়েংবিয়ু।" *রুপ্পন* বাবুনা চহী ১৮ শুরকপা মতমদা মহাক মফম অদুগী কোলেজদা মেত্রিক তম্লম্মী। লাইরিক তম্বা-পাবা থৱায় য়াওবনা মেত্রিক তম্বা য়াম্না পামজবা অমদি নুংশিজবনা মহাক মেত্রিক্তা চহী অহুম চঙনা তম্লম্মী।

*রুপ্পন* বাবু মফম অদুগী মীয়ামগী থবক তৌবা লুচিংবা অমনি। মহাক্কী মতিক ময়াই কয়া অমা লৈবনা মীয়াম্না হায়নবা ঙাঙনবা ৱাহৈ অরানবা ওইরে মদুদি ইন্দিয়াগী মীয়ামগী থবক তৌবা লুচিংবা অমা ওইরক্লবা হোৎনবদা হান্না নুংশাগী মৈশাদা কোক্তা পোক হৌবমখৈ হোৎনবা মথৌ তাই হায়বদু। মহাক্লা লুচিংবা অমা ওইবগী য়াম্না চাউরবা মরমদি মহাক মীয়াম পূন্নমকপু মীৎয়েং অমগী মখাদা চপ মান্নবা য়েংই। পুলিস দিপার্টমেন্টতা ফল্লিবা কনষ্টেবল অমদি জেলদা লৈরিবা হুরানবশিং অদু মাগী মীৎয়েংদা চপ মান্নে। অসুম্না এগজামদা নোট তৌবা মহৈরোয় অমগা অমদি কোলেজগী প্রিন্সিপাল অমগা মাগী মীৎয়েংদা খেনবা লৈতে চপ মান্নে। মহাক্লা পূন্নমকপু অশোনবা মীওইনি খল্লম্মী, পূন্নমক্কী থবক তৌরম্মী, পূন্নমক্তগী থবকসু লৌরম্মী। মহাকপু মীয়াম্না য়াম্না ইকায়খুম্নরম্মী মরমদি মহাক কেপিটেলিজমবু শৌগৎপা পোৎ য়োনবশিংনা মঙোন্দা পোৎ য়োনদে, নুংশিনা পোৎ-চৈশিং কৎলী অমদি তোল্ল-তারবা অশোনবশিংগী মশক ওইরবা রিক্সো থৌবশিংনা মহাকপু সিটি ফাওবা থীনবদা শেল লৌদে, মদুগী মহুত্তা মঙোন্দগী য়াইফ থৌনি নিনৈ। মহাক্কী লুচিংবা অমগী হৌরকফম অমদি অরোইবা মফম কোলেজনি, মফম অদুদা মহাক্কী মীৎয়েং অমা ফংবদা মহৈরোয় লিশিং কয়া অমা থোইদোক হেন্দোকনা কোলেজ অদুগী মতাংদা হেন্না থাগৎলদুনা হায়বা ঙম্মী অমসুং তঙাইফদবা লৈরদি মাগী মথক ফাওবদা ঙাঙবা ঙম্মী। মহাক পোক্লকপদগী মীয়ামগী লুচিংবনি মরমদি মহাক্কী মপাসু মীয়ামগী লুচিংবনি। মহাক্কী মপাগী মমিং *ৱেদজী* কৌই।

মহাক মশা পাই, অদুবু মাগা খৎনবা মীশিংনা তন্নে। মহাক মঙক শাংলবা, অশাংবা মখুৎ অমসুং মখোঙ শাংবা মীওই অমনি। মীয়ামগী থবক তৌবা মীওই অমনি হায়দুনা নাতৈ চাদবা মওংদা অনৌবা ফিরোল শেৎপা মথৌ তাই খঞ্জদুনা মহাক অঙৌবা মচুগী খুদৈ শেৎলি অমসুং মচু থোকপা ফুরিৎ লিৎলি। ঙকশমদা রেশমগী রুমাল অমা য়াল্লি। খুদৈ অদুগী নামৈ লেংবালদা তাহল্লি। য়েংবদদি মহাক পাখৎলবা শিদম নাদল্লবা ষনাও অমগুম উই। অদুবু মাগী মওং-মতৌ তুংগী খোঙনা লেপ্তুনা লৈবা মখোল হৌনা খোঙবা শগোল অমগুম্বা মাল্লি। ...(মথং-মথং)

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈ

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।